থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অফবা অমসুং ফত্তবা লাই - ২

ইজরিবা ৱারেংসিগী পান্দম লাই মশক তাক্লবা নৎত্রগা খঙনবা হোৎনবা নত্তে। হৌখিবা চহী কয়াদা কোল্লমসিদা, হীরমসিদা ৱারেং কয়া ইখরে। কোল্লম অসি ইরুঙৈদগী ঐহাকপু 'লাই থাজদবা' নৎত্রগা 'লাইগী মায়োক্তা লৈবা' মী অমা ওইনা উবীখ্রবনি। অসিগুম্বা ৱারেং ইরক্তনবা কয়ারকসু হায়রকখ্রবনি মরুপ-মপাংশিংনা, ঐগী য়েক্লবা মশীং হেনগৎতনবা। লাই থাজবা মীশিংনা থাজদবা মীশিংবু য়েক্লবা অমগুম লৌবজাৎনি হায়বসি মখোয়গী ৱা তাবদগী খঙবনি- ঐগী ৱা তানীংদবা... ঐগী ৱারেঙ পানীংদবা... ইশক ফাওবা য়েংনীংদবা...! অদুবু, ঐ ইশানদি খনজরিবনি- ঐহাক লাইবু খ্বাইদই থাজজবা মীশিংগী মরক্তা শোয়দনমক্কী চল্লমগনি, মন্দির/মসজিদ/চর্চকী মনূংদা লেংশিন দুনা লৈরিবা লাইদুবু থাজরুদবা খক্তনি। লাই থাজরুবদুনবু মাগী মরমদা ৱারী শাননীংলিবনি, মাগী মরমদা ইবা লাইরিক পানীংলুরিবনি, মাগী মতীক-মগুন শৈথাবা ৱারী/ঈশৈ তানীংলুরিবনি। ঙসিসু লাই অফবা/লাই ফত্তবগী মরমদা ইনীংলক্তুনা ইরিবনি। অহানবা তাঙ্কক ইখরে। হায়নীংবা কয়া হায়হৌদবদগী মখা অমুক ইরিবনি। শাংথনদি ইজরোই।

লাই অফবা নৎত্রগা ফত্তবগী কন্সেপ্ট অসি হিন্দুশিংগী নত্তে নোংচুপলোমগীনি- ৱারেঙসিগী অহানবা শরুক্তা হায়রুঙৈ, মরুপ-মপাংশিংদগী ৱাকৎ কয়া লাকখি। য়ানীংদবই খোল্লাওনি। শনি/শনিদেব... অফবা লাই অমরা? কাউন্টর ওইনা হংলকখিবনি। অৱায় অখুম তৌনদুনা ৱাফংনবা- ঐনা খ্বাইদই পামজদবা থবক্লি। ঐনা ৱাখল খুৎখন মান্নদনা খল্লিবা মহাক্কী ৱাখলদুসু মহাক্কী ওইবা অচুম্বা ইনফোর্মেসন অমদা য়ূম্ফম ওইদুনা খল্লিবনি। ৱাখলদুবু ঐহাক ঈকায় খূম্নে, অরানবনি হায়জরোই। 'সেতর্ন' হায়না খঙনবা প্লানেত (গ্রহ) অদুগী পর্সোনিফিকেসন (মিতম) অমনি- হিন্দুশিংগী 'শনি'/শনিদেব'। কনাগুম্বা অমনা তৌরুবা থবক (কর্ম্ম) অদুগী ফংফম থোকপা মহয় (ফল) অদু য়েন্থোক-য়েনশিনগী থবক তৌরিবা মহাক অদু 'শনি'নি- হিন্দুশিংনা থাজনৈ। কনাগুম্বা অমগী ৱাখলনা লমজীংদুনা তৌখিবা থবক, ঙাঙথোকখিবা ৱা অমদি থৌগল্লোন কায়বা থবক (কর্ম্ম)শিংগী ফংফম থোকপা মহয় (রিজল্ট) ফংবদুবু 'শনিদেবগী মীৎয়েং চঙবদগীনি' থাজনৈ, শনিগী দষা মিঙ্গৌনৈ। পুন্সি তেনবা নৎত্রগা শাংবা, অহল ওইশিল্লকপা, অৱা-অনা-ঈকায়বা নংবা অসিনচিংবসিগী কন্ট্রোল্লর 'শনিদেব'নি থাজনৈ। তাইবংসিদা লাইগুম্বা-মী (দেবতা) ওইনা শায়োল্লক্লগা ওইগী লমদাং ওইবী অনী/নীলিমা অমসুং মন্দা) অনীগা লুহোংদুনা য়ূম্বান পুন্সি লেনমিন্নখি। অচুম্বা/অফবা তৌবশিংদা মনা চাউনা পীবা, ফত্তবা/অরানবা তৌবশিংবুনা অকনবা/তমথীবা চৈরাক পীগনবা দেবতা অমনিসু থাজনৈ। সেতর্ন (সনি) কৌবা গ্রহসিনা নুমীৎকী অকোয়বদা মপূম ফানা অমুক্তং কোয়বদা চহী কুম্থ্রা (৩০) চঙবনা, খোঙচৎসিগী মনুংদা রাশি তরানিথোই (জোদিয়ক সাইন)সিগী কাদা চহী অনী মখায়রোম লৈরম্মী- এস্ট্রোলোজরশিংনা হায়বনি। মরম অসিনা, কনাগুম্বা অমদা সনিদেবগী মীৎয়েং চঙখ্রবা, চহী অনী-মখায়দি থাদোক্তে হায়নরিবনি। ৱাফম অসোমদা কোইথোক্লগুমসি। মরুওইবা ৱাফমলোমদা লাক্লসি।

হিন্দু-সাস্ত্রগী লাইরিকশিংদা লাই (ঈশ্বর)গী ৱাফম অসি অতৈ রিলিজনশিংগা চাংদম্নুনা য়েংবদা হিন্দুশিংগীদনা কমপ্লেক্স অমদি ফিলোজোফিকল ওইবা হেল্লি। হিন্দুশিংনা লাইবু মখল অহুম থোক্লা খায়দোল্লক্মী, অদুসু মীওইবগুম পা-পী (জেন্দর) অনী থোক্লা... দেব/দেবী, ঈশ্বর/ঈশ্বরি অমসুং ভগবন/ভগবতি অসিনচিংবা। লাইরেম্বা/লাইরেম্বীগী ৱাখল্লোন হিন্দুশিংদা পোল্লকখিবসি বেদকী মতম (বেদিক ইরা) খৃষ্টকী মমাঙ চহী লীশিং অনীগী মতম অদুৱাইদগীনি। অব্রাহমিক রিলিজনশিংসিনা মরু হুন্দ্রিঙৈ মতমদগী। মখল কয়াগী লাইরেম্বা/লাইরেম্বীশিং অসিবু হিন্দুশিংনা অয়েকপা লাই ওইনা নৎত্রগা নূংনা/লৈপাক্লা/উনা শাবা মিতম ওইনা ঈরাৎলকই। প্রতিমা নৎত্রগা মূর্তি হায়না খঙনরকই। কাইনথংদা, ১৯শুবা চহীচাগী বৃটিশ-রুল মতমদা আর্য্য-সমাজ অমদি ব্রহ্ম-সমাজ হায়বনচিংবা লূপ লিংখৎলকপদগী মূর্তি নৎত্রগা অয়েকপা লাইবু লাই ওইনা ঈরাৎপগী চৎনবীদা ৱাহং হংবা হৌরকখি, অব্রাহমিক রিলিজয়স ত্রেদিসন'লোমদা নকশিল্লকখি।

লাইগী ৱারী শারকপদা হিন্দুশিংগী 'মরোল অহুমগী তাইবং' অমসুং 'লাই কোতি কুম্থ্রাহুমদোই'গী ৱা- কাউথোকপা য়াদবা অমনি। বেদগী লাইরিক্তা ইরম্মী- মরোল (তাইবং) অহুমগী 'দেব' অহুমগী তাইবংনি- অগ্নিদেব (মৈগী লাই)গী তাইবংনা মালেম, বায়ু (নুংশিৎ নিংথৌ)গী তাইবংনা অহাঙবা মালং, সূর্যদেব (নুমীৎ)গী তাইবংনা নোংমদোল অতিয়া। রিগবেদ'দা ইরম্মী- মরোল অহুম অসিদা লাই তরামাথোই/তরামাথোই'না পাল্লি, পুন্না লাই কোতি (মখল) কুম্থ্রাহুমদোই। মূর্তি/বিগ্রহ/প্রতিমা হায়বসি লাই নত্তে। মীওইবগী পূক্নিং/ৱাখল-ইমোসন কুম্থ্রাহুমদোইগী তোঙান তোঙানবা শক্তমনি। মীওইবগী হকচাং অসি লাইগী অশেংবা ময়ুম (মন্দির) অদুনি- হিন্দু ফিলোজোফিনা হায়বনি। মন্দিরসিদা লোৎলিবা আত্মা (থৱায়) হায়বদুনি অশেংবা ঈশ্বর। ঐহাক (ঐ ইশা/সেল্ফ) হায়বসিদই হেন্না শেংবা ঈশ্বর অমা লৈতবনি। ত্রি-দেব (শকওং অহুমগী লাই/ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর) অমসুং ত্রি-দেবী (লক্ষ্মি, শরশ্বতি, পার্বতি) মীওইবা (নুপা অমসুং নুপী)দা লোৎলিবা শক্তি (মতীক, মঙম) অদুগী মেনিফেষ্টেসননি।

দেব অমসুং অসুর, লাই অমসুং হিংচাবা হায়না ঐখোয়না খঙনবা এনতিতি মখল অনীসি মীওইবগী ৱাখল অনীগী শকওং অনীনি- অমনা অফবা, শেমগৎ শাগৎপগী থবক তৌবা, অমনা মাঙহন তাকহনবগী থবক/লাই (দেব)শিংগী মায়োক্তা থবক তৌবা। দেব অমসুং অসুর-অনীগী হৌরকফমদি অমত্তনি হায়বা ৱারীসিনা তাকই- অনীমক মীওইবগী ৱাখলদগী থোকখিবা ক্যারেক্তরনি। দেবলোক (লাইরৈবাক)কী লাইশিংগা অসুর (হিংচাবা)শিংগা তত্তনা লান শোক্লরিঙৈ, অমনা অমগী মথক্তা ঙম্না পান্নবা, অঙম' তান্নরিঙৈ মতমদা লাইশিংগী মফমদা শিদ-হীদাক (অমৃত)- কনাগী মফমদা লৈতবদু লৈরম্মী। অসুরশিংগী মফমদনা 'সঞ্জিবনি মন্ত্র'- শিরবসু অমুক হিংগৎহন'ঙম্বা, থোইদোক হেন্দোকপা মতীক-ময়ায়। দেব অমসুং অসুর- করম্না য়েক্লবা ওইখিবা-শাংলবা ৱারী অমনি। হিংনা-চাবা, চাওখত্তবা, কেন্নিবালশিংদু নত্তে অসুরশিং। পাবদা উপন্যাসকুম নুংঙাইবা ৱারী অমনি। নোং'ফাদোক শংবদা পাবীয়ু। রাক্ষস অমসুং অসুর, কাঙলুপ অমত্তংগী মীওইশিং মান্নদবা ৱাহৈ অনীনা শক্তাকপনি, অমত্তনি অনীমক।

রামনা রাবন হাৎখিবা, দুর্গানা মহিসাসুর হাৎখিবা, কৃষ্ণনা কংস হাৎখিবা- দেব-অসুর অনীগী কনফ্লিক্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা মীরোলদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক অমমমনি। রাবনবু রাক্ষস (হিংচাবা) অমনি ঙাংনরিবা- নাপন কারবা নিংথৌ ওইনা পাঙথোকখিবা থবকশিং অদুনা মরম ওইরগনি। মহাক্লা ফংখিবা শক্তিশিং পুন্যগী মশক্লি খন্নবা থবক কয়া তৌরুবগীনি। মনাওনুপা 'বিভিষন'- রাক্ষস-ওইনা শীংথানদে। মপা অমত্তগী মচানি। হিংচাবই শাগৈদা পোকখিবা প্রহ্লাদ, দেব লোকতা অচৌবা মফম অমা কনখিবনি।

অসুম্না লাই অফবা নৎত্রগা ফত্তবা- মখল অনী শুবা নত্তে, ঐখোয় মীওইবগী ৱাখলদগী থোকখিবা কন্সেপ্ট অমনি হায়বসিমদি য়ানসি ঐখোয় য়েৎনগুমসি।

লৌশিং পুক্কে

# পূক্নিং-ৱাখল অমদি

## হকচাংগা লৈনরিবা মরী

থাজবা হায়বসিনা মীওইবগী পূক্নিং ৱাখলদা ইথিল পীবগা লোয়ননা হকচাংগী চৈনাখোল হন্থহনবা নৎত্রগা হেনগৎহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌই। ৱাখল খনবগী মওং খেন্নবা মরম্না চপ মান্নবা লায়নানা নারবসু কনাগুম্বা খরদা চৈনাখোল ফাওবগী চাং হেনবগা লোয়ননা তূম্বা য়াহন্দ্রবসু অতোপ্পা মীওই খরদি নুংঙাইনা তূম্বা য়াহল্লি। বৃটেনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱারৱিককী নিকোল টেংনা লুচিংবা রিছার্চরশিংনা হায়খি, মী-মীগী ৱাখল খনবগী মওং খেন্নবা মরম্না থাজবগী মওং মতৌসু মান্নদে। মদুনা মরম ওইরগা খ্বাঙ নাবা, তাং-তাং নাবা নৎত্রগা ফাইব্রোমেলজি য়ানচিংবা লায়নানা নারবা মীওইশিং তূম্বা য়াবা নৎত্রগা য়াহন্দবগী ফীভম ওইহল্লকপনি।



'মপুং ফানা তূমদ্রবদি নাবা ফররোই' হায়বা ৱাখল অসি অনাবগী চৈনা খাঙলিবা মীওই অয়াম্বনা খল্লি। মদুনা মরম ওইরগা মপুং ফানা তূম্বা য়াহন্দে। অনাবগী চৈনাখোল অমসুং তূম্বগী মরক্তা লৈনবা মরী চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক রিছার্চরশিংনা 'পেন-রিলেটেদ বিলিফ এন্দ এটিট্যুদ অবাওট স্লিপ' কৌবা স্কেল অমা শেমগৎলগা মতম শাংনা অনাবগী চৈনাখোল খাঙলক্লবা মীওই কাঙলুপ মরিদা চাংয়েং তৌরম্মী।

মদুদা অনাবনা মরম ওইরগা তূম্বা য়াররোই খঞ্জবা মীওইশিং তূম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লুরকপা থেংনরম্মী। তূম্বা য়াদ্রবনিনা চৈনাখোল ফাওবগী চাংসু হেনগৎলকখি। কোগনিটিভ বিহেবিয়রেল থেরাপিগী মতেংনা ৱাখল খনবগী মওং হোংদোকহনবা মতমদা মীওইশিং অদু তূম্বা য়ারকখি। মদুনা মরম ওইরগা চৈনাখোল ফাওবগী চাংসু হন্থরকখি।

মীওইবনা ৱাখল খনবগী মওং মতৌনা হকচাংদা অচৌবা শাফু অমা পী হায়বসি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনি। করিগুম্বা মতমদা কনাগুম্বা অমা কা হেন্না কিবা নৎত্রগা নুংঙাইতবা ৱাখল ফাওরকপা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপা ঙমদবা শোয়দনা থেংনরম্লগনি। অকিবা নৎত্রগা নুংঙাইতবা ৱাখল খনবগী থৌওংনা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থৌওং কন্ট্রোল তৌরিবা ব্রেনগী অখন্নবা শরুক্তা অতম্লনা শাফু পীবদগী ফীভম অসি ওইহল্লকপনি।

ইটলিগী মিলনদা লৈবা ভিটা-সেল্যুট সেন রফেল য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চর লোৱা মজারেলিনা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, খঙহৌদবা মওংদা কা হেন্না নুংঙাইতবা, নৎত্রগা অকিবা, নৎত্রগা হরাওবগী ৱাখল খল্লকপা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থৌরাং কন্ট্রোল তৌরিবা ব্রেনগী অখন্নবা মফম অমদা অকনবা শাফু পী।

কেনাদিয়ন অমদি ইটলিয়ন রিছার্চরশিংনা মশাগী চহী ৮-৯ শুরবা অঙাং ১৫০ গী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিন্দুনা ষ্টদি চথবদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি। ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা রিছার্চরশিংনা অঙাংশিং অদুবু কা হেন্না নুংঙাইবা নৎত্রগা অৱাবা থৌদোক মায়োক্লহল্লম্মী। মদুদা অঙাংশিং অদু হরাওবা হেনমনবদগী নৎত্রগা অৱাবা হেনমনবদগী হকচাং ফাওবা লেঙ-ওৎপা ঙম্লক্তবা থেংনখি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি হন্দক্তা ওষ্ট্রিয়াগী ভিয়েনাদা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন কোলেজ ওফ ন্যুরোসাইকোফার্মাকোলোজি (ঈ সী এন পি) গী মীফমদা পুথোরকখিবনি। রিছার্চরশিংনা কনাগুম্বা মীওই অমগী অশাওবা মায়থোং উহল্লগা অঙাংশিং অদুগী ব্রেনদা করি অহোংবা থোরকপগে হায়বদু মেগনেটিক রেসোনেন্স ইমেজিং (এম আর আই) গী মতেংনা য়েংলম্মী। মদুদা ব্রেনগী এমিগদালা হায়না খঙনবা শরুক অমা মথৌ হেন্না তৌরকপা থেংনখি। এমিগদালা হায়বসি মীওইবগী অৱা-নুংঙাই, মেমোরি অমসুং অকিবা ফাওরকপা মতমদা মথৌ তৌরিবা ব্রেনগী শরুক অদুনি। মতৌ অসুম্না মীওইবনা খল্লিবা ৱাখলগী মতুংইন্না হকচাংনসু তোঙান তোঙানবা মওংদা মথৌ তৌরকই।

মতাং মতমগী মতুংইন্না মীওই খুদিংমক লাংতক্লবা শাউনিংবা, অকিবা অমদি থৱায় নুংঙাইতবা ফাওরকই। লাংতক্লবা অমসুং ঙাইঙমদবগী কান্নবা লৈতবসু নত্তে। অফবা থবক অমা তৌরমদাইদা হোরেন-হয়েং হায়না য়েথোকপগী কান্নবা লৈতে হায়নবা লৈ। মরম অদুনা মতাং অসুৱাইদা লাংতক্লবা অমসুং ঙাইঙমদবগী চন্নফম লৈ। অদুম ওইনমক অয়াম্বা মতমদা লাংতক্লদুনা লৈরবদি হীরম কয়াদা অকায়বা থোকহল্লকপগা লোয়ননা হার্ট দিজিজ, ক্রোনিক রেস্পিরেটরি দিসওর্দর অমসুং গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল দিজিজ কয়া ওইহল্লকপা য়াই। মদুগীসু মথক্তা ইশাগী ইথৌ মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্লক্তবা, তূম্বা-চাবা য়াহন্দবা, চনিং তানা নিংশা শ্বর হোনবা ঙম্লক্তবা, পুক মথক-মখা ওল্লকপা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। অফববু ওইরবসু ফত্তববু ওইরবসু অয়াম্বা মতমদা মীওইবনা খনবা অদুম্মক অচুম্বা ওইরকই। মরুওইনা অনাবগী চৈনা খাঙলিবা মীওইশিংনা চৈনাখোল অদুনা মরম ওইরগা তূম্বা য়াররোই। খল্লুরবদি মপুং ফানা তূম্বা য়াদে। অমরোমদা ফনা য়াম্না চৈনাখোল ফাওরবসু থোইদোক্লা খঞ্জিল্লুদ্রবদি মপুং ফানা অদুম্মক তূম্বা য়াহল্লি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## ফুবালাগী অহলশিংদা পেন্সন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস):

বিষ্ণুপুরদা লৈবা ফুবালাগী অহল ওইরবশিংদা ঙসি থৌনাওজম চাওবা মেমোরিএল ট্রষ্ট, শীংজমৈ থোঙাম লৈকায়গী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাওজম রোমেননা থাগী পেন্সন য়েন্থোকখ্রে।

ফুবালা কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা অহল ওইরবশিংদা থাগী পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ট্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাওজম রোমেননা ফোঙদোকখিবদা, অহল ওইরবশিংগী থাগী পেন্সন পীরিবা অসি কনাগুম্বা মীওইশিংদগী মতেং লৌরগা য়েন্থোকপা নত্তে। লোয়ননা ট্রষ্ট অসিনা পেন্সন পীবগী থবক অসি ওল্ড এজ হোমশিং, ওর্ফান হোমশিং অমদি কনা লৈজদ্রবশিংদা য়েন্থোকপনি। পেন্সন অসি করম্বা মীওইদা পীবা য়াবগে হায়বা ট্রষ্ট অসিনা থল্লিবা ক্রাইটরিয়া শুরবা মতুংদা পেন্সন পীবনি। মসি করিগুম্বা মখলগী পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবগী পাঙথোকপা নত্তে। শুপ্নগী লৈত-লায়রবশিংদা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন্দা পায়খৎপা থৌরাং অমনি হায়খি।

পেন্সন পীবগী থবক অসি হৌজিক্কী ওইনা তম্পাক্কী মফমশিংদা পাঙথোক্লি। অদুবু অথুবা মতমদা চীংগী লমশিংদসু পাঙথোক্লবা ট্রষ্ট অসিনা থৌরাং তৌরি। মসিগীদমক চীংগী লুচিংবশিং অমসুং অতৈ মীওইশিংগা পাউ ফাওনরি। তম অমদি চীংগী অহলশিংদা লৈরিবা অহলশিংগীদমক্তা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্লবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি। থৌরাং অসিদা মতেং পাংনবা হায়জরুবদা রিমসকী ওথোরিটিনসু য়াবীরক্লে হায়বা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

## কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস):

অয়ুর্বেদ পর্ভগী থৌরমগী মনুং চন্না অয়ুর্বেদ পর্ভ মণিপুরনা শীন দুনা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সনদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১০দা ক্লাস টেনদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা দিবেটিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না ক্লাস সিক্সতগী নাইন ফাওবগী ওইনসু সেপ্টেম্বর ১০ নুমীৎ অসিমক্তদা দ্রোৱিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোক্লগনি হায়না অয়ুরবেদ পর্ভ মণিপুরগী কনভিনর বি বোনোমালি শর্ম্মা অমদি কো-কনভিনর এম সমসন মৈতৈনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ꯍꯔꯥꯎꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕ

HARAOBA FONGDOKCHABA
KEISHAMTHONG KABUI YOUTHS' UNION IMPHAL MANIPUR



SHRI KAMSON POUKHILLUNG KABUI, HOUJIK KEISHAMTHONG KABUI YOUTHS' UNION (K.K.Y.U) GEE ARTS & CULTURE SECRETARY THOUSU PURIBANA LEMJANINGAI OIRABA MANIPUR STATE KALA AKADEMI YOUNG TALENT TRIBAL CULTURE 2018-2020 AWARD FANGLAKPADA YAMNA NUNGAIBA FONGDOKCHARI. LOINANA MATUNGDASU MASIDAGEE HENBA FANGLAKPA OIRASANU, HOTNABADI LEPPIGANU. HEITHOI SINGTHOIRABA KABUISINGGEE IKAI KHUMNAJARIBA TANGLABA KABUI JATIGEE GURU GANGMEI ALUNA KABUINIGEE MAKHADA YAORAKPANA YOUNG TALENT AWARD FANGLAKPADA EIKHOI KABUISINGGEE OINA CHAOTHOKCHABANI. ADUNA GURUBUSU NGAMKHEI LEITANA THAGATCHARI. PUNSEE SANGNA HINGBIYU.

KAMSON HOTNABA LEPPIGANU. AHENBA TANBAGA LOINANA CLUB-KHUN AMADI KABUISINGGEE MAITHONG AMUK HANNA NGALHALLASEE.

*HARAOBA FONGDOKCHARIBA:-*
**KEISHAMTHONG KABUI YOUTHS' UNION, IMPHAL MANIPUR (K.K.Y.U)**

HL-P/3953/26

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৮।২০২২ ইং, ইরাই; নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.২৫ ফাওবা থৱানগী ২৯ নি পাল্লি, মতুং থাশুনি।

মেষ: হান্নগুম থবক পাঙগনি, য়েৎনরম্বা কোকচগনি, মীঙোন্দা লৈখিবা শেল-থুম থৌজিনবা কান্নগনি। অঙম্বনা ইচান চানবীদবা, চিংনবা পোকপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- খরা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: নীংবা থুংবা, লাইবক ফবা, অনৌবা থৌরমদা পুক্নিং হেন্না চঙবগী কান্নবা, পুক্নিং মকা লাম্না নুংঙাইজবা নুমিৎনি। পুকচেল শেংদবনা মাঙহনবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: য়েক্লবনা কায়নহনবা অমদি অশাওবনা মাঙজবা লৈগনি-তপথৌ। নক্লবগী মতেংনা থৌনা ফুদোক্লা থৌপাঙলদি ওইজগনি। খুৎ চাওরদি নরল মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: মীচঙ হেনগৎপা, অনৌবা থৌরম পাঙবদা চাওনা মায় পাকপা অমদি অফবা খোঙশাল লৈবা নুমিৎনি। য়েৎনবনা মাঙবা য়াই-খাঙবা কল্লু অফবা ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: পুক্নিং ফাথনা ঈংনা লৈগদবা নুমিৎনি। লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা, ঈরাং পুবা য়াদবা, মীয়ামগী মতেং ফংদবা নুমিৎনি। য়ারগদি অনৌবা থৌরম পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

কন্যা: লেঙদবা লন ফংগনি, মীয়াম্না য়াম্না য়াগনি অমদি ৱানোম থৌনোমসু কান্নগনি। অনম তানবা অমদি নাইতোম ৱা তুপ্পদি মতাং চারোই। শেন্দোংদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: পাঙনিংবা থবক অনৌবা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা পাঙবা য়ারগনি। মীংচৎ তানবসু মায় পাক্কনি। থৌনা হন্দবনা লাই-গুরুনা চানবীবা লৈ। অশাওবনদি মাঙহল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: লৌশিংনা পাঙ্গল ওইবা অমদি অরিবা মরুপ মপাং লোয়নবা য়াম্না ফবা নুমিৎনি। লেঙদবা লন তানবদি থোইনা কান্নগনি অদুবু হেন্না হোয়া ফবদি ফত্তে।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: অনম তানবা অমদি হেন্না আশা চাওবা কান্নরোই। নথক থোংবগা মরী ফনবা হোৎনৌ। য়েক্লবনা নচা-ননাই মাঙনবা য়াই। মীয়ামগদি মরী ফগৎলক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। ৱাখলগী পাঙ্গল লৈগনি অমদি নীংবদুমক মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা পাঙবা য়াগনি। অশাওবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: মীচঙ হেনগৎপা, শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওনা কান্নবা অমদি অনৌবা থৌরমদা খুৎচাও থাবা য়াবা নুমিৎনি। য়েৎনবা অমদি অশাওবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: পল্লম্বা লন ফংবা/য়েৎনরম্বা কোকচবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। থিবা হুম্বা কনবগী কান্নবসু ফংগনি-অদুনা তন্থগনু, আশা চাওনা থৌ পাঙউ। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# চীংগী অপীকপা লম্বীদা

## তুশার নোংথোম্বম

